### ভৈগ্যচন্দ্র মোমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# খ্রো স্পিসিয়েলিষ্ট হেরোজিৎকী চাওরবা মতেংনা ট্রুগপুবু চেম্পিয়ন ওইহনখ্রে

FOOTBALL

*ৱিন্নর ওইখ্রবা ট্রুগপুগী প্লেয়র অমদি ওফিসিয়েলশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা ফোটো সেসনদা শরুক য়াখিবা*

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* খ্রো স্পিসিয়েলিষ্ট এস হেরোজিৎকী চাওরবা মতেংনা ট্রুগপু নম্বোলবু অহানবা ডাঃ এল ভৈগ্যচন্দ্র মেমোরিয়েল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ৱিন্নর ওইহনখ্রে। টোপ স্কোররনা এস এস যুগী এল গোগোচানা গোল ৪ চন্দুনা তাখি। মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচকী মনানা ট্রুগপুগী এস হেরোজিৎনা তাখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৭ তগী টিম ৭ না গ্রুপ ২ দা শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ট্রুগপু নম্বোল অমদি এস এস যুনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ট্রুগপুগী এস হেরোজিৎনা শাংনা লংখিবা খ্রো ইন অহুমক গোল ওন্থোক্তুনা এস এস যুবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ হৌগৎলকপগী অনীশুবা মিনিটতা ট্রুগপুনা ফংখিবা খ্রো ইনদা এস হেরোজিৎনা শাংনা গোল পোষ্টকী মনাক নক্না লংলকখিবদা কেনেট চিরুনা হেদিংদা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট ১২ লৈরবা মতুংদা অমুক হন্না এস হেরোজিৎনা লংলকখিবা খ্রো ইনদা টি থিরেননা ১৪ শুবা মিনিটতা অনৌবা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

এস এস যুনা শোন্থনা লৈরিবা গোল ২ অদু হন্দোক্লনবা ট্রুগপুগী মায়কৈদা গোল চন্নবা এটেক কয়া তৌখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ১৬ শুবা মিনিটতা গোগোচানা ট্রুগপুগী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা খৎচিনখিবা বোল অমা ট্রুগপুগী দিফেন্দর সুরেশ রাইদা হেন্দলিং তাবদগী রেফরিনা এস এস যুগী পেনাল্টি অমা পীখি। ফংলিবা পেনাল্টি অদু ইমরান খাননা গোল ওন্থোক্তুনা ১–২ দা লৈহনখি। গোল অদু চনখ্রবা মতুং মিনিট ২ চৎপা মতম (১৮) শুবদা এস এস যুগী দিফেন্দর সহিদ ফরিদকী অশাংবা ক্রোসিংদা এল দেৱাননা গোল অমগা চন্দুনা ২–২ দা লৈহনখি।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা টিম অনীনা মখা তানা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তা এস এস যুনা য়াম্না অকনবা প্রেসর কয়াগা লোয়ননা ট্রুগপুগী মায়কৈদা গোল চন্নবা এটেক চথরবসু লাইবক লৈতবদগী গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মেটচ অদুবু মিৎয়েং তাখিবা ভাবোক পুন্নমক্লা দ্রো ওইগনি হায়না খল্লুবা অদু এদিস্নেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৮২) দা য়াম্না থাজবা মওংদা ট্রুগপুগী এস হেরোজিৎনা শাংনা লংলকখিবা খ্রো ইন অমদা এস এস যুগী মিদ ফিল্ডর আর্জুননা বোল অদু ক্লিয়র তৌনবা হোৎনবদা মখোয়গী নেট মনুংদা চঙখিদুনা আউন গোল অমা চঞ্জদুনা ট্রুগপুনা গোল ৩–২ দা মায় পাকখিবনি।

ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ ওইখ্রবা ট্রুগপু অমদি এস এস যু টিম্না রোলিং ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং ৩০ ফংখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা কাদাগী কম্মীস্নর ঐচ ইমোচা সিংহ, সোসিয়েল ৱার্কর হুইদ্রোম বিক্রম সিংহ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিন্টে এস সনাতোম্বা সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েহ্নোকখি।

### তরেৎশুবা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট

# নুপীগীদা পুলিস, সিটিজন মায় পাকখ্রে

## *নুপাগীদা সাইদোল (এ), এল দব্লিউ ৱাই সি মায় পাকখ্রে*

HANDBALL

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* চজিং য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন লিলোংনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা তরেৎশুবা পুরৈলোম্বা হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি সিটিজন্স ক্লব সোইবম লৈকাই মায় পাকখ্রে। নুপাগী শান্নখিবা মেটচশিংদনা সাইদোল (এ) লিলোং, এল দব্লিউ ৱাই সি অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা নুপীগী রাউন্দ রোবিন লীগকী মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এল দব্লিউ ৱাই সিবু গোল ২৫–১১ দা মায়থীবা পীখিখ্রে। মণিপুর পুলিসগী গোলশিং অদু ও সন্ধিয়ারানিনা ৮, এম দিম্পলনা ৬, সি ঐচ লক্ষমী অমদি এন সুনিবালানা ৫ / ৫ অমদি এল সপনানা অমা চনখিবনি। এল দব্লিউ ৱাই সিগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ প্রিয়ানা ৪, এল অঞ্জুবালানা ৩, টি ঐচ জেনিলা অমদি টি ঐচ অঞ্জুবালানা ২ / ২ চনখিবনি।

নুপাগী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সাইদোল (এ)না ৱাই এল কেবু গোল ১৫–১১ দা মায়থীবা পীখ্রে। সাইদোলগী গোলশিং অদু কে ঐচ রোমারিয়োল অমদি কে ঐচ নন্দনা ৪ / ৪, এল শ্যামকুমারনা ৩, এন ৱার্জিৎ, কে দেবিদ, এন হেরোজিৎ অমদি এন সিদার্থানা অমমম চনখিবনি। ৱাই এল কেগী গোলশিং অদুনা এম প্রবিননা ৬, কে বিগ্যানন্দনা ২, সি ঐচ ইমো, এস সনাজাওবা অমদি ও অমর্জিৎনা অমমম চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা এল দব্লিউ ৱাই সিনা সিটিজন্স ক্লবপু গোল ২৭–১৯ দা মায়থীবা পীখ্রে। এল দব্লিউ ৱাই সিগী গোলশিং অদু এ রঞ্জিননা ১০, টি দিনমনিনা ৫, সি ঐচ উমাকান্তা অমদি এল চিঙ্খোঙানবনা ৪ / ৪, টি ঐচ একেন্দ্রজিৎনা ৩ অমদি এও লাঙম্বনা অমা চনখিবনি। সিটিজন্স ক্লবকী গোলশিং অদুনা ৱাই রোমারিয়োনা ৭, দব্লিউ রোহিদ অমদি এন থোমসননা ৪ / ৪, ঐচ মালেম অমদি আই দিপক্লা ২ / ২ চনখিবনি।

নুংথিলদা শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা সিটিজন্স ক্লবনা ৱাই এল কেবু গোল ২১–১৫ দা অদুগা নুপাগী শান্নখিবা মেটচতনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা থৌবাল কলেজপু গোল ২১–১৫ দা মায়থীবা পীখি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা নুপীগী সাইদোলগা পুলিসকা অমদি পুং ৩ দা নুপাগী সাইদোল (বি)গা এম আর সিগা শান্নগনি।

## বুমেন ফুটবোল্লর ৩০ কৌখৎখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* সেনিয়র বুমেন নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা শরুক য়ান্নবগীদমক মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক অনীশুবা ফেজকী ট্রাইয়েল কোচিংদা শরুক য়ান্ননবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা ফুটবোল্লর ৩০ কৌখৎখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপদর এল রোনিবালা, ও রোস্নি, এন সনাথোই, ই পান্থোই, দিফেন্দরদা কে ঐচ সুরবালা, কে রঞ্জিতা, ই তোনী, জি রাধারানি, এ রোমি, এস মিরা, ও রোস্নি, ঐচ বিজয়া, সি ঐচ বসন্তি, এল মাধবী অমদি টি ঐচ রঞ্জিতানি। মিদ ফিল্ডরদা এম মন্দাকিনি, এন অনিবালা, ও বেমবেম, ৱাই প্রেমি, ৱাই চন্দ্রজিনি, টি ঐচ উমাবতি, কে এস ঐচ ঙৌবী, টি ঐচ কৈন্যকুমারি, পি ঐচ বিনা অমদি কে ঐচ মাগ্রেটনি। ফোরৱার্ডতা এন জি বালা, আই প্রমেশ্বরি, এস রিনা রোয়, দি গ্রেস অমদি দব্লিউ কোম্লাপতিনি। শান্নরোইশিংনা এপ্রিল ২গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা মখা তাবা কোচিংগীদমক খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## অমুক হন্না ব্লেক বেরিনা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জকী ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* মমাংগী চেম্পিয়ন ব্লেক বেরিনা অনীশুবা জেনো কোর্পোরেট ফুটবোল চেলেঞ্জ ২০১৪গী অমুক হন্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে। টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোক গ্রাউন্দদা হোটেল ক্লাসিক্লা প্রজেন্ট তৌরগা মমাং থাগী ২১ দগী চথরকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ব্লেক বেরিনা অপুনবা ফিটনেস সেন্টরবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীরগা অমুক হন্না চেলেঞ্জ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। ৱিন্নর অমদি রন্নর ওইখ্রবা ব্লেক বেরি অমসুং এ এফ সিনা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ ১ অমদি লিশিং ৫০গী মনা ফংখি।

## সাইক্লোননা টি–২০ ভেটরান ক্রিকেটকী ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অনীশুবা টি–২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ৱিন্নর সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেম্পল্লিবু রন ১৯ দা মায়থীবা পীরগা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা চেম্পনা টোস ঙম্লগা হান্না ফিল্ডিং খনখি। সাইক্লোননা অহানবা ইনিংস্কী বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট অমখক আউট ওইরগা রন ১৯৬ লৌখি। ইনিংস অদুদা এম থোইথোইনা নোট আউট ওইরগা বোল ৫৬ তা রন ৯৩ লৌদুনা টিম অসিগী ওইনা খ্বাইদগী রন লৌবা বেটচমেন ওইখি। চেম্পকী অমত্তা ঙাইরবা ৱিকেট অদু লালবোইনা লৌখিবনি।

চেম্পনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭৭ খক লৌবদগী রন ১৯ দা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি। মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচনা সাইক্লোনগী বেটচমেন থোইথোইনা তাখি। মেন ওফ দি সেরিজনা চেম্পকী আই ইবোবীনা রন ১৩৪ অমদি ৱিকেট ৫ লৌরগা তাখি। হায়েষ্ট স্কোররন অমদি ৱিকেট টেকরনা সাইক্লোনগী থোইথোই অমসুং এল বিনোয়না তাখি।

## অহৌবা মেটচতা য়ু ভি এস এ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* সোসিয়েল ইনভাইরন্টমেন্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো)ময়াং ইম্ফাল থনা অৱাং লৈকাইনা শিন্দুনা এন টোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দ ময়াং ইম্ফালদা ঙসিদগী অহানবা ৱাই এ এস কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ টিম ৯ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

অহৌবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংনা ভি এস এ এন নম্বুল মপালবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। য়ু ভি এস এগী গোলশিং অদু দব্লিউ রোবিন অমদি এন গান্ধিনা চনখিবনি। ভি এস এ এনগী গোল অদুনা এস রোনিকুমারনা চনখিবনি।

## মণিপুরগী জুনিয়র হোক্কী টিম ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ* চেনাইদা থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা চথরিবা ৪ শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন্স নেস্নেল হোক্কী চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দিভিজন (বি)দা মণিপুরগী টিম ফাইনেল চঙখ্রে। হয়েং নুংথিলগী পুং ৫ দা ষ্টিল ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদকা মণিপুরগা ফাইনেল শান্নরগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরনা ফাইনেলগী থাক য়ৌখিবনা মরম ওইদুনা মথং চহীদা দিভিজন (এ)দা শরুক য়ারগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা বেঙ্গল হোক্কীবু টাই ব্রেক্তা গোল ৫–৪দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। মেটচ অদুদা টিম অনীমক্লা অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ২ / ২ চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী টাই ব্রেক্লা মেটচ অদুগী লাইবক লেপখিবনি।



•Food Addiction •Regular over Eating
•Street Junk Food •Spicy Fried Food
•Deep Fried Non-Vegetarian Food & Red Meat
•Alcohol Can Effect on Liver

100% HERBAL PRODUCT

Double Strength LIVER TONIC

LIVSAV® DS CAPSULES

लिवसेव डी एस कैप्सूल

Liver Stimulant & Carminative Tonic

G.M.P & ISO 9001-2008 CERTIFIED COMPANY

7 DAYS COURSE

LIVER STIMULANT & CARMINATIVE APPETIZER

Livsav DS

Syrup/ Capsule

Liver Stimulant & Carminative Appetizer Tonic

Benefits of Livsav
• Control acidity • Increases appetite
• Improves digestion • Clears stomach & gives relief from constipation

Liver Fit To LIFE Super Hit

* All Livsav capsules are suger free
* Consult with physician if you have any liver disease.

CUSTOMER CARE :- 0250-2393627

LG SHOPPE

Life's Good

ONLY EXCLUSIVE SHOWROOM OF LG PRODUCT

We accept Debit and Credit Card

Home Delivery Available

Visit at :- LG Shoppe, Khuyathong DMC Road
&
Houseworth, Thangal Bazar, Mani Tower, Opp. Kasturi building

ADMISSION IS GOING ON

SIMPS 2013-14

S.S. Institute of Management & Paramedical Science

COURSES OFFER

B.Sc. MLT DMLT BPT (Physiotherapy) BCA BBM
MBA MCA Nursery & Primary Teacher Training
B.Sc. in Lib Sc. BA, B.Sc, MA, M.Sc. Hospital Management
B.Sc. Fashion Designing Diploma Hotel Management
B.Sc. Hotel and Tourism Management B.Sc. Nursing, GNM, M.Sc, Nursing

FREE COUNSELLING FOR MBBS-20L, MDS, BDS-3L, BE-25K (ALL BRANCHES) AT LOWEST TUITION FEE

Please feel free to contact us : Administrative office :
Thangal Bazar Opp VIP Showroom/MM tailor
Mobile : 94022 33554/98565 75163

COLLEGE CAMPUS
PANGEI, MANIPUR

lemon mobiles

ꯂꯦꯃꯣꯟ Slim and Stylist Phone

P 8 Rs. 4,549/-
NEW B 839
NEW B 169 Rs. 1,099/-
NEW B 649 Rs. 1,949/-
B 149 Rs. 1,035/-
NEW B 809 Rs. 1,899/-
NEW S 549 Rs. 1,949/-
S 449 Rs. 1,599/-
NEW B 829 Rs. 1,849/-

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*